# অবানি, ভৱানা, মোহনানা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী অহানবা নুপী ফাইটর পাইলোট ওইরে



ন্যু দিল্লি, জুন ১৮ (এজেন্সী) :
দিফেন্স মিনিষ্টর মনোহার পরিকারনা ইন্দিয়াগী অহানবা নুপী ফাইটর পাইলোট অহুম-ভৱানা কান্ত, অবানি চতুর্বেদি অমসুং মোহনা সিংহবু অতোপ্পা ফ্লাইট কেদেটশিংগা লোয়নননা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সতা কম্মিসন তৌখ্রে।

মধ্য প্রদেশকী ফ্লাইট কেদেট অবানি চতুর্বেদি, রাজস্থানগী মোহনা সিংহ অমসুং বিহারগী ভৱানা কান্ত মশাগী চহী ২০ হেল্লকপদা ঙাইরি। মখোয় অহুম্না ইন্দিয়াগী অহানবা নুপী ফাইটর পাইলোট ওইদুনা অনৌবা পুৱারী অমা শেল্লে।

মশাগী চহী ২৪ শুরবা ভৱানা কান্ত বিহারগী দরভঙ্গ দিষ্ট্রিক্টতগীনি। কোটাদা লৈবা বিদ্য মন্দিরদগী সেকেন্দরি এদ্যুকেসন লোইশিল্লবা মতুংদা মহাক্না বেঙ্গলোরগী বি এম এস ইঞ্জিনিয়ারিং কোলেজদা মেদিকেল ইলেক্ট্রোনিক্সতা বি টেক তমখি। বি টেক লোইরবা মতুংদা মহাক্না এয়র ফোর্সতা সোর্ট সার্বিস কম্মিসন্দা চঙখিবনি।

মধ্য প্রদেশকী সত্না দিষ্ট্রিক্টতা পোকখিবী অবানিনা জয়পুরগী বনস্থালি য়ুনিভর্সিটিদগী কম্প্যুটর সাইন্সতা বি টেক লোইশিল্লবা মতুংদা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্স চঙখিবনি। মহাক্কী অপোকপা ইগজিক্যুটিব ইঞ্জিনিয়ারনি অমসুং অপোকপীনা ইচম চন্বী য়ুমগী মৌনি।

রাজস্থানগী ঝুনজুনুদা পোকখিবী মোহনানা ন্যু দিল্লিগী এয়র ফোর্স স্কুলদা স্কুলিং লোইশিল্লবা মতুংদা অম্রিতসরগী জি আই এম ঈ টিদা বি টেক (ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ এ এম পি কম্ম্যুনিকেসন) তমখি। মহাক্কী অপোকপা অমদি মপুবোক দিফেন্স ফোর্সতা থবক তৌবা মরম্না মহাকসু পীক্লিঙৈদগী হৌনা শিনফম অসিদা থবক তৌনিংবগী অপাম্বা লৈরকখি।

নুপী অহুম্মক ট্রেনিংগী অহানবা তাঙ্কক লোইশিনখিবগা লোয়নননা পুং ১৫০ নোংথক্তা এরোপ্লেন পাইরুরে। ফ্লাইং ওফিসর ওইরবা নুপী অহুম্মক থা ৬কী ওইবা এদভান্স জেট ফাইটর ট্রেনিং কোর্স অমা তম্লগনি। কম্মিসন ফংলবা নুপী ফাইটর পাইলোট অহুম্মক বিদার নৎত্রগা কাইলাকুন্দা এয়র বেজদা পোষ্টিং তাদুনা মখা তাবা ট্রাঞ্জিসনেল ফাইটর ট্রেনিং কোর্স য়াওগদৌরি।

হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা মখোয়না লানগী প্লেন কয়া পাইদুনা লানফমদা লৌখৎকদব থবক থৌরমশিং ময়েক শেংনা খঙনবা হোৎনগদৌরি। মরুওইনা মিগ-২১, সুখোই-৩০ এম কে আই অমসুং মিরাজ-২০০০নচিংবা ফাইটর প্লেনশিং নীংথিনা পায়বা তমগদৌরি।

হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়ন এয়রফোর্সতা নুপী পাইলোট ৯৪না হেলিকোপ্টর অমদি ট্রান্সপোর্ট এয়রক্রাফটশিং পাইবগী থৌদাং লৌরবসু ফাইটর কোম্বেট ষ্ট্রিমদা সোর্ট সার্বিস কম্মিসন (এস এস সী) ওফিসর ওইনা চঙবদি মখোয় অহুম্না অহানবনি।

অহানবা চাংয়েং ওইনা লৌখৎপা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা নুপী অহুম্মক চহী ৫গী ওইনা ফাইটর পাইলোট ওইহনগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০১৬কী ফেব্রুৱারী থাদা প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জিনা নুপীশিংসু মিলিটরি কোম্বেটকী থৌদাং লৌহল্লগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

অমরোমদা, ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী ওফিসর ২৩ মেমোরাদা লৈবা এয়র ফোর্স ষ্টেসন্দগী ১৫৩শুবা ফাইটর কন্ট্রোলর কোর্স মায় পাক্লা লোইশিনখ্রে।

হৌখিবা জন্যুৱারীদগী হৌখিবা কোর্স অসিদা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী ওফিসর অহুম অমসুং মপান লৈবাক্তগী ট্রেনি মঙানা শরুক য়াখিবনি। মপান লৈবাক্কী ট্রেনিশিং অদুদি মার্চ থাদা মায় পাকখ্রবনি।

ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী ওফিসর ২৩ পাস তৌবগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা ভেলিদিক্টরি ফঙ্কসনদা এয়র ভাইস মার্সল শ্রীশান মোহন অমসুং এয়র দিফেন্স কোলেজগী কম্মান্দিং ওফিসর, গ্রুপ কেপ্টেন কে বি মেথিয়ুজনচিংবা শক্লাইরবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

# এন এস জিগী মেম্বর ওইনবা ইন্দিয়ানা লৈবাক কয়াগী মতেং লৌনবা হোৎনরি



ন্যু দিল্লি, জুন ১৮ (এজেন্সী) :
ইন্দিয়ানা ন্যুক্লিয়র সপ্লায়রস গ্রুপ (এন এস জি)গী মেম্বর ওইনবগী মতাংদা লৈবাক কয়াগী মতেং লৌনবা হোৎনরি।

জুন ২৩দগী ২৪ ফাওবা সাউথ কোরিয়াগী সিওলদা পাঙথোক্কদৌরিবা এন এস জিগী প্লিনরি সেসন মাঙওইননা মরুওইবা লৈবাক কয়াগা উনদুনা ইন্দিয়ানা মেম্বর ওইনবা অকনবা থৌরাং লৌখৎলি হায়না ন্যুজ রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ফোরেন সেক্রেটরি এস জয়সঙ্কর অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়র্সকী সেক্রেটরি (ৱেষ্ট) সুজাতা মেহতানচিংবা মকোক থোংবা দিপ্লোমেটশিংনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়াদা চত্তুনা ন্যু দিল্লিবু এন এস জিগী মেম্বর ওইহন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎলি।

হৌজিকমক্কী ওইনা চাইনানা ইন্দিয়াবু এন এস জিগী মেম্বর ওইহনবা পামদ্রবসু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ন্যুক্লিয়র সপ্লায়রস গ্রুপতা ইন্দিয়াবু অনৌবা মেম্বর ওইনা লৌশিনবা পাম্লি। ইরাই নুমিৎতা য়ু এসনা এন এস জিগী মেম্বর ৪৮দা ইন্দিয়াবু অনৌবা মেম্বর ওইনা লৌশিন্নবগী ৱাফম ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

হৌজিক হৌজিক এন এস জিগী চেয়রমেন ওইরিবা সাউথ কোরিয়ানা হীরম অসিগী মতাংদা মরুওইবা থৌদাং লৌবা ঙম্বা মরম্না জয়সঙ্করনা হন্দক সিওলদা চত্তুনা মকোক থোংবা সাউথ কোরিয়ন ওফিসলশিংগা ৱারী শানখি।

চেক রিপব্লিক অমদি আর্জেন্তিনানচিংবা এন এস জিগী মরুওইবা মেম্বরশিংগসু উনদুনা ইন্দিয়াবু অনৌবা মেম্বর ওইনা য়াওহন্নবগী মতাংদা অকনবা থৌরাং লৌখৎলি। লৈবাক অনীমক্না হীরম অসিগী মতাংদা ইন্দিয়াবু সপ্পোর্ট তৌরি।

অমরোমদা, চাইনা, ওষ্ট্রিয়া, আইরলেন্দ, সাউথ অফ্রিকা, টর্কি অমসুং ন্যু জিলেন্দনা ইন্দিয়াবু এন এস জিদা য়াওহনবা পামদ্রি। ন্যুক্লিয়র নন-প্রোলিফরেসন ত্রিটি (এন পি টি)দা সাইন তৌদবা লৈবাক অমত্তা এন এস জিদা য়াওহল্লোইদবনি হায়না চাইনানা লূচিংবা লৈবাক খরনা অয়েৎপা পীরক্লি। হীরম অসিগী মতাংদা হন্দক সিওলদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অসিনা মরুওইবা ৱারেপ অমা লৌরবা য়াই।

সোর্ছ অমা পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মপুং ফানা সপ্পোর্ট তৌবা মরম্না হন্দক্কী মতাং অসিদা ইন্দিয়াবু এন এস জিগী অনৌবা মেম্বর ওইনা লৌশিল্লবা য়াই। হীরম অসিদা অয়েৎপা পীরিবা চাইনা অমদি ওষ্ট্রিয়ানচিংবা লৈবাক কয়াবু ৱাশিংটননা ৱারী শানরবা মতুংদা য়ানবা অমা শোয়দনা পুরক্লবা হোৎনরগনি হায়না থাজনরি।

সিওলদা পাঙথোক্কদৌরিবা এন এস জিগী মীফম মাঙওইননা মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়র্সকী সেক্রেটরি (ৱেষ্ট) মেহতানা য়ুরোপকী তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়াদা চত্তুনা হীরম অসিদা ইন্দিয়াবু সপ্পোর্ট তৌহন্নবা হোৎনগদৌরি।

মরুওইনা ওষ্ট্রিয়া অমদি আইরলেন্দনচিংবা লৈবাকশিংবু ন্যু দিল্লিগী থৌরাং অসিদা মতেং পাংহন্নবগীদমক লৈবাক অদুগী লূচিংবা কয়াগা উনগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ১৯৭৪দা ইন্দিয়ানা অহানবা ওইনা ন্যুক্লিয়র খুৎলাই চাংয়েং তৌখ্রবা মতুংদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ন্যুক্লিয়র লৈবা য়োনবগী অথিংবা থম্নবগী পান্দমদা লৈবাক ৪৮না পুনশিল্লগা এন এস জি শেমখিবনি।

মমাঙদা ইন্দিয়ানা এন এস জিগী মেম্বর ওইনবা হোৎনবদা চাইনা, ন্যুজিলেন্দ, আইরলেন্দ, টর্কি, সাউথ অফ্রিকা অমসুং ওষ্ট্রিয়ানা অথিংবা পীদুনা লাকখি। অদুবু অকোনবদা সাউথ অফ্রিকা, ন্যুজিলেন্দ অমদি টর্কিনা ফিরেপ হন্দোকখিদুনা ইন্দিয়াবু এন এস জিগী মেম্বর ওইহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোরকখি।

# ‘ইন্দিয়ানা লৈবাক খরদা মিসাইল সিষ্টেম এক্সপোর্ট তৌগনি’



বেঙ্গলুরু, জুন ১৮ (এজেন্সী) :
ইন্দিয়ানা মরুপ-মপাং ওইবা লৈবাক খরদা মিসাইল সিষ্টেম এক্সপোর্ট তৌনবগী মতাংদা গভর্ণমেন্টনা অয়াবা পীরে হায়না দিফেন্স মিনিষ্টর মনোহর পরিকারনা ফোঙদোকখ্রে।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা মহাক্না হায়খি, য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্ট অমসুং এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্ট্রিনা লৌখিবা ৱারেপ অমগী মতুং ইন্না লৈবাক অসিগী মিসাইল সিষ্টেম চাদা ১০ রোম মরুপ-মপাং ওইবা লৈবাকশিংদা এক্সপোর্ট তৌনবা ফিরেপ লৌরে।

মমাঙদসু ইন্দিয়ানা মপান লৈবাকশিংদা মিসাইল সিষ্টেম এক্সপোর্ট তৌনবা থৌরাং লৌখি। অদুবু লৈবাক্কী আর্ম ফোর্সেসনা শীজিন্নরিবা মিসাইল সিষ্টেমগী অহেনবা মচাকশিং লৈতবা মরম্না থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙমখিদে।

হৌজিক্তি ‘অকাশ’নচিংবা তোঙান তোঙানবা মিসাইল সিষ্টেম কয়া মপুং ফানা শেমগৎপা ঙম্লবনিনা মপান লৈবাকশিংদা থাদোকপা ঙম্বগী ফীভমদা লৈরে।

লৈবাক অসিনা শাজবা বেসিক ট্রেনর এয়রক্রাফট হিন্দুস্তান টর্বো ট্রেনর-৪০ (ঐচ টি টি-৪০) লমথাবগী থৌরম য়াওবা লাকখিবা পরিকারনা পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা হায়খি, ভিয়েটনামগুম্বা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাক খরদা ইন্দিয়ানা ব্রহমোস মিসাইল য়োন্নবা থৌরাং খন্নরি।

রফেল এয়রক্রাফট লৈবা-য়োনবগী মতাংদা দিফেন্স মিনিষ্টরনা হায়খি, হীরম অসিগী মতাংদা শেমখিবা কম্মিটিনা মথং চয়োলদা মপুং ফাবা রিপোর্ট অমা পীরক্লবা মতুংদা লৌখৎপা য়াবা থৌরাং লৌখৎকনি। মমাঙ চহীগী এপ্রিল থাদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফ্রান্সতা চৎলুরবা মতুংদা রফেল এয়রক্রাফট ৩৬ লৈবগী ৱাফম ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। লাইট কোম্বেট এয়রক্রাফট (এল সী এ) গী মতাংদা পরিকারনা হায়খি, জুলাই থাদা অনৌবা স্কৱাদ্রোন অমা শেম্নবা থৌরাং তৌরি। মতমগা চুনদ্রবা মিগ-২৭ লৌথোকখিবগা লোয়নননা এল সী এনা মহুৎ শিল্লগনি। এল সী এনা মিগ ফাইটর প্লেনদগী শরুক ১০ ফবা হেল্লি।

য়ু এস-ইন্দিয়া দিফেন্স টেক্নোলোজি এন্দ ট্রেদ ইনিসিয়েটিব (দি টি টি আই)গী মতাংদা মহাক্না হায়খি, এয়রক্রাফট কেরিয়র টেক্নোলোজিগী মতাংদা লৈবাক অনীনা অথুবা মতমদা য়ানবা পুরক্লগনি।

# ও আর ও পিগী জুদিসল কম্মিসনগী মতম থা ৬ শাংদোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুন ১৮ (এজেন্সী) :
ৱান রেঙ্ক ৱান পেন্সন (ও আর ও পি)গী মতাংদা এক্স-সার্বিসমেনশিংনা নুংনাংবা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকখিবগা লোয়নননা হীরম অসিগী মতাংদা গভর্ণমেন্টনা শেমখিবা জুদিসল কম্মিসনগী মতম থা ৬ শাংদোকখ্রে।



য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা হৌখিবা দিসেম্বরদা পত্না হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস ওইরম্বা এল নরসিমহা রেদিনা লূচিংবা জুদিসল কম্মিসন অমা শেমদুনা জুন ১৫ ফাওবগী মনুংদা মপুং ফাবা রিপোর্ট পীখৎলক্নবা খঙহনখ্রবনি।

কুমজা ২০১৫গী নবেম্বর ৭তা গভর্ণমেন্টনা নোটিফিকেসন অমা থোক্তুনা থবক্তগী পোথারবা মিলিটরি পার্সনেলশিংবু রেঙ্ককী মতুং ইন্না মান্নবা পেন্সনগী শেনফম ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎখি।

থৌরাং অদুদা য়েৎনবা অমসুং য়ানিংদবা ৱাফম কয়া থোরকপদগী মীওই অমনা শাবা জুদিসল কম্মিসন শেমদুনা য়েৎনরিবা ৱাফমশিং কোকহন্নবা হোৎনখি।

হৌখিবা থা ৬কী মনুংদা জষ্টিস রেদিনা মরী লৈনবা মীওই পূম্নমক্না ৱারী শানদুনা য়েৎনরিবা ৱাফমশিং কোকহন্নবা হোৎনদুনা লাকখি। ইকুই কুইদ্রিঙৈদা মহাক্না থবক্তগী পোথারবা মিলিটরি পার্সনেলশিংগা উনদুনা মখোয়গী অপাম্বা খঙদোকপগা লোয়নননা গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলিবা থৌরাংদা মপুং ফানা সপ্পোর্ট তৌহন্নবা হোৎনখি।

মরকসিদা, কাঙলোন চুম্না ও আর ও পি চৎনহনগদবনি হায়না দিমান্দ তৌরিবা এক্স-সার্বিসমেনশিংগী মীহুৎ কাঙবু অমনা দিফেন্স মিনিষ্টর মনোহর পরিকার উনদুনা মখোয়গী অপাম্বা পূম্নমক থবক্তা ওন্থোকপীনবা তকশিনখ্রে।

ইন্দিয়ন এক্স-সার্বিসমেন মুভমেন্টকী চেয়রমেন মেজর জেনরেল সতবির সিংহ, লেফটনেন্ট কে পান্দে অমসুং ৱিং কম্মান্দর সি কে শর্ম্মনা দিফেন্স মিনিষ্টর মনোহর পরিকারগা উনখিবা মতমদা পার্লিয়ামেন্টনা অয়াবা পীখ্রবা থৌরাং অদুমক থবক্তা ওন্থোকপীনবা তকশিনখি।

পাউমীশিংগা উনবা অমদা মেজর জেনরেল সতবির সিংহনা হায়খি, দিফেন্স মিনিষ্টরনা এক্স-সার্বিসমেনশিংগী অপাম্বা মওংদা থবক পায়খৎকনি হায়বগী থাজবা পীরক্লে। জষ্টিস রেদি কম্মিটিগী মতম থা ৬ শাংদোকখ্রবসু মতম চানা দিসেম্বর য়ৌদ্রিঙৈদা মপুং ফাবা রিপোর্ট অমা পীখৎপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

থবক্তগী পোথারবা এক্স-সার্বিসমেনশিংদা ৭শুবা পে কম্মিসনগী খুদোংচাবা পূম্নমক ফংহনবগা লোয়নননা ৱান রেঙ্ক ৱান পেন্সনগী খুদোংচাবসু ফংহনগনি হায়বগী মতাংদা দিফেন্স মিনিষ্টরনা থাজবা পীরক্লে হায়না মেজর জেনরেল সতবির সিংহনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, হীরম অসিগী মতাংদা থবক্তগী পোথারবা এক্স-সার্বিসমেনশিংনা মমাঙ চহীগী জুন থাদগী দিল্লিদা লৈবা জন্তর মন্তরদা খুথাং চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিন্দুনা লাকখিবনি। অদুবু হৌখিবা মার্চ ১৪দা দিফেন্স মিনিষ্টর মনোহর পরিকারনা এক্স-সার্বিসমেনশিংগী অপাম্বা ফংহন্নবা হোৎনগনি হায়না থাজবা পীরকপদগী খোঙজং অদু মতম খরগী ওইনা হন্দোকখি।

# চহী ৫গী মনুংদা হিন্দু ইমুং ১৮৮ য়ু পিগী কাইরানাদগী চেনখ্রে



লখনৌ, জুন ১৮ (এজেন্সী) :
উত্তর প্রদেশকী সামলি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না চথখিবা ইনভেষ্টিগেসনগী রিপোর্টনা হায়খ্রে মদুদি, হৌখিবা চহী ৫গী মনুংদা ইমুং ১৮৮ কাইরানা থাদোক্তুনা চেনখ্রে।

হোম দিপার্টমেন্টকী স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না চহী ১০গী মমাঙদা মফম অসিদগী ইমুং ৬৬ অতোপ্পা মফমদা চৎখ্রে হায়রি।

মফম অসিদা লৈরম্বা ইমুং ৬০ রোমসু মহে-মশিন তম্বা, থবক তৌবা অমসুং অতৈ অতোপ্পা মরম খরগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈখ্রে হায়বা খঙলে।

হোম দিপার্টমেন্টকী স্পোক্সমেননা মখা তানা হায়খি, কাইরানাদা লৈরম্বা মুস্লিম ইমুং খরা অতোপ্পা মফমদা চৎখিবগী ৱাফমসু খঙবা ঙম্লে। বি জে পিগী এম পি হুকুম সিংহনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না, কাইরানাদা লৈরম্বা ইমুং ৩৪৬ তোঙান তোঙানবা মফমদা চৎখ্রে হায়বা খঙলকখি। ৱাফম অদুগা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না ইনভেষ্টিগেসন চথহনবদা কনাগুম্বা মীওই খরনা মফম অসিদা লৈরিবা ইমুংশিংদা কিহন খঙহনবগী থৌওং চথৈ হায়বা খঙলকখি।

অমরোমদা, হিন্দু কয়া কাইরানাদগী চৎখিবগী মতাংদা য়ু পি প্রদেশ বি জে পিগী প্রসিদেন্ট কেশব প্রসাদ মোরিয়ানা হায়খি, কাইরানাদা লৈরিবা হিন্দুশিংদা কনাগুম্বা মীওই খরনা কিহনবগী থৌওং চথরে হায়বা ময়েক শেংনা খঙলে।

ময়ুম থাদোক্তুনা চৎখ্রবা মীওইশিং অদু অথুবা মতমদা তেক্তা কায়দনা হল্লকপা য়ানবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

বি জে পিগী এম পি সত্যপাল সিংহ, ধরমেন্দ্র কুমার কাসিয়াপ, রাঘব লখন পাল, এম এল এ রাধা মোহনদাস অমসুং হান্নগী দি জি পি ব্রিজপাল সিংহনা থিজিন হুমজিনবদা হিন্দু কয়া কাইরানাদগী চেনখ্রে হায়বা খঙলকখি।

ইতৎ তত্তনা কিহন-খঙহনবদগী হিন্দু কয়া ময়ুম থাদোক্তুনা চেনখিবগী মতাংদা সী বি আইবু মপুং ফাবা ইনভেষ্টিগেসন চথহনগদবনি হায়না বি জে পিগী লূচিংবশিংনা তকশিনখি।

কাইরানাদগী হল্লক্লবা মতুংদা অলিগরগী এম পি সতিশ গৌতমনা হায়খি, কাইরানাদগী হিন্দু কয়া পাক্তক্লনা চেনখ্রে হায়বা ৱাফম অসি অচুম্বনি। কনাগুম্বা মীওই খরনা টাউন অসিদা হিন্দু অমত্তা লৈহন্দনবা থৌরাং লৌখৎলে হায়বা খঙলে।

মনাক নকপা খুঙ্গংশিংদা হিন্দুগী ইমুং ৩০০ লোম লৈরম্বদগী হৌজিক্তি শুপ্নগী ইমুং অহুমখক ঙাইহৌরে। অতৈ অতোপ্পা খুঙ্গং খরদসু হিন্দু মশীং য়াম্না লৈত্রে। কনাগুম্বা খরনা মফম অসিদগী হিন্দু তান্থোক্লবা হোৎনরিবা থৌরাং অসি মতম চানা থিংবা মথৌ তাই হায়না গৌতমনা মখা তাখি।

# হোম মিনিষ্ট্রিনা সেন্ট্রেল মেরিন পুলিস ফোর্স শেম্বা পাম্লি

ন্যু দিল্লি, জুন ১৮ (এজেন্সী) :
মহারাষ্ট্রনচিংবা ষ্টেট খরনা সেন্ট্রেল মেরিন পুলিস ফোর্স লিংখৎকদবনি হায়না ফোঙদোরকখ্রবা মতুংদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা ৱাফম অসি থবক্তা ওন্থোক্লিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন অমনা হায়খি, কংফালদা মথৌ তৌরিবা পুলিস পার্সনেলশিংগা মান্নদবা মওংদা মেরিন পুলিস ফোর্সনা ঙমখৈগী অথিংবা লৈতনা লৈবাক অসিগী মফম খূদিংমক্তা মথৌ তৌবা য়াগনি।



মতৌ অসুম্না মেরিন পুলিস ফোর্স লিংখৎপা তারবদি কোষ্ট গার্দ অমসুং নেভিগা মতেং পাংনদুনা সমুদ্র অমদি অচৌ অচৌবা তুরেলশিংদা থোক্লিবা ক্রাইমশিং খরমখৈ থিংবা ঙমগনি।

হৌজিক হৌজিক কোষ্ট গার্দনা সমুদ্রদা ঙাকশেলগী থৌরাং লৌখৎলবসু কোষ্টেল / মেরিন ক্রাইমশিংগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চথনবগী মতিক ময়ায় লৈতে। মসিগীসু মথক্তা ক্রাইম অমগা মরী লৈননা এফ আই আর রেজিষ্টর তৌবসু ঙমদে। অদুবু সেন্ট্রেল মেরিন পুলিস ফোর্স লিংখৎলবদি এফ আই আর রেজিষ্টর তৌবগা লোয়নননা মেরিন ক্রাইমশিংগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চথবা ঙমগনি হায়না হোম মিনিষ্ট্রিগী ওফিসর অমনা ফোঙদোকখি।

ওফিসর অদুনা হায়খি, ইন্দিয়াবু ঙাক শেনবগী থৌদাং লৌরিবা কোষ্ট গার্দতা অহেনবা পোৎলুম পীবগী মহুত্তা তোকখায়বা সেন্ট্রেল মেরিন ফোর্স লিংখৎপা তঙাইফদে।

হোম মিনিষ্ট্রিনা হায়খি মদুদি, কোষ্ট গার্দনা ক্রাইম লাকশিন্নবগী মতাংদা লৌরম্বা থৌদাং পূম্নমক সেন্ট্রেল মেরিন পুলিস ফোর্সতা শিন্নরবদি কোষ্ট গার্দনা ইন্দিয়াবু মপান লৈবাকশিংদগী ঙাক শেন্নবা হোৎনবদা খুদোং চাগনি।

মুম্বাইদা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা কোষ্টেল সিক্যুরিটিগী মীফম অমদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা হায়খি, মহারাষ্ট্রগুম্বা ষ্টেট খরনা সেন্ট্রেল মেরিন পুলিস ফোর্স লিংখৎনবগী মতাংদা পুখৎলক্লিবা ৱাফম অসি মরম চাই।

# এন আই এফ টিগী চেয়রমেন হাপখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুন ১৮ (এজেন্সী) : ইন্দিয়াগী ক্রিকেট শান্নরোয় অমসু ওইরম্বা বি জে পিগী হান্নগী এম পি চেতন চৌহানবু লেমজনিংঙাই ওইরবা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ ফেসন টেক্নোলোজিগী চেয়রমেন খনখ্রে।

অমরোমদা, থৌওং অদুবু দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টরসু ওইরিবা আম আদ্মী পার্টিগী লূচিংবা অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে। মহাক্না হায়খি, দি দি সী এগী ৱাথোক্তা ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিবু কনখৎখিবগীদমক সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা চেতন চৌহানবু এন আই এফ টিগী চেয়রমেন হাপখিবনি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা চেতন চৌহাননা হায়খি, গভর্ণমেন্টনা থাজবা থমদুনা এন আই এফ টিগী চেয়রমেন হাপ্লকখিবনি। কেজ্রিৱাল অমসুং এ এ পিনা শীরক্লিবা মরাল পূম্নমক য়ুম্ফম য়াওদবনি।

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN - FOUNDATION COURSE FOR CLASS I to X Starts 16th June 2016
Class XI & XII (COHSEM & CBSE) Starts 23rd June 2016 Limited Seat Time - 4:30 pm to 7:30 pm

1st Position (2016)
Sohana Laishram



I feel a heavenly delight in achieving such a wonderful feat. I sincerely thank Angels' Coaching Centre for their constant guidance and support. The study materials they provided and the frequent mock tests were of immense help to me. No doubt, Angels' Coaching Centre is an unparalled coaching centre in Manipur.
— Sohana Laishram

3rd Position (2016)
M. Vasundhara



My achievements uptil this stage of my life would not have been possible without the support of my teachers. And, I would, especially, like to thank the faculty of the Angels' Coaching Centre. Had it not been for their support and encouragement, I would never have made it thus far. Angels' is a wonderful institute and it is an honour to have been under the guidance of such wonderful teachers.
- Maibram Vasundhara.

BOARDING FOR BOYS & GIRLS
VAN SERVICE AVAILABLE
9856988840
8732022342

HL-B/3106/May, 1,3,5,7,9,11,13,15,17,19,21,23 June

টৈংগ্বাপ্লোং/ লায়েংজরি
UMA AYURVEDIC CLINIC
(DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগুনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোন্থা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুক্কী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়নননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্চবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিডৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্চবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোকশাবা হাক্চবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,

HL-B/3123/3/06-2/07